ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯶, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওক্টোবর ০৬, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১৯৩শুবা মশীং

# ইম্ফালদা সাইলেন্ট জোন

## *থোকখিবা য়াথং কনানা ঙাক্লা চৎলিবগে য়েংবীয়ু*

**লো** অমা হায়বসি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না কাঙলোন অমা ঙাক্লা চৎহন্নবা পরম অমনি। লো মেকরশিংনা শেল্লিবা লো অদু মীয়ামগী য়েংলগা শেন্বা মরম্না মদু ইনবগী থৌদাং মীয়ামগী ওইগদবনি অদুগা মদুবু চৎলিব্রা নৎত্রগা চৎনহনবা ঙমদব্রা হায়বদুদি লৈঙাক্লা তুমিন্না খঙশিন্নদনা লৈবা চুমদে। ঐখোয়গীদি শেন্ফম থোকপা লো শেমখ্রে। চৎনবা, চৎনদবা খঙদে হায়বা তারগদি লো শেন্বগী কান্নবা লৈতে। মণিপুরদদি লৈবাক্কী আইননা অমা, তৌবনা অমা চত্থনদুনা কাংখোঙ চায়বা ফীভম অমদা লৈহল্লি। খুদম ওইনা পনবা তারবদি করন্বা মীওইনা গাড়ীদা ফ্লেগ পোষ্ট হাপকদগে, ভি আই পিগী গাড়ীদা হাপ্পা বেকন লাইট কনা কনানা শীজিন্নগদগে হায়বগী তোখায় তোখায়বা চৎনা কাঙলোন লৈজে। অদুবু মণিপুরদদি এক্স-এম এল এনা ফ্লেগ পোষ্ট হাপ্পা গাড়ী তোংবদা কনামত্তনা অথিংবা পীদে। লন্বীদা চৎপদি আইনবু ঙাক শেল্লিবশিংনা খঙদা উদদুনা তৌরিবনি হায়বা তারবসু ষ্টেট অসিগী য়াঙলেন শরু ওইরিবা সিভিল সেক্রেটরিয়েট মনুঙদা থৌজিনবা য়াহল্লিবা অসিনি। মসিগীসু মথক্তা মীচম মীয়াম্না চৎনরিবা লন্বী-লমজাওদা অথু-অকায়সু নত্তবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ট্রাফিক্কী অথিংবা থুগায়রগা চৎনিংবা মতমদা ট্রাফিক পুলিসকী মমাঙদা চৎপদা কনামত্তনা থিংবা ঙমদে। ভি আই পিগীনি হায়রবদি গাড়ী পার্ক তৌবা য়াদে হায়বা মফমদা ওইরবসু, মীনা চীক্লা চায়না ঙমদনা চৎনরিবা লন্বী ময়ায়দা গাড়ী খামজিল্লগা মখোয় মখোয়গী লোয়নবীগা পোৎ লৈবা চৎখিবদা কনামত্তনা মফম চাদে হায়বা ঙমদে। মিনিষ্টরশিং, ভি আই পিশিংদা গভর্নমেন্টনা পীবা গাড়ী অমদি এস্কোর্টশিং মখোয় মখোয়গী লোয়নবী নৎত্রগা মচা মশুশিং থিন্দোক থিঞ্জিন তৌবদা শীজিন্নে। ইকায়বা মচেৎ অমত্তা খঙদ্রবা ওফিসরশিং, মিনিষ্টরশিং অমদি এক্স-এম এল এশিং অদুগী থৌদৌশিং ৱাখল তাবা মীওই অমনদি লৈবাক অসি লোয়রেদকো হায়না শোয়দনা খল্লমগনি। মরম অদুনা গভর্নমেন্টকী ওইবা য়াথং অমা থোকপা হায়বসি অরায়বা অমা নত্তে। ওর্দর থোকপদুদি অরায়বনি, কমদৌনা ওর্দর অদু মীপুম তিংনা চৎনহনগদগে হায়বদুনি খ্বাইদগী লুরিবদি। মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা ইম্ফাল অমসুং গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়া খরদা সাইলেন্ট জোন লাউথোক্লনবা থৌশিল থৌরাং অমা পায়খৎলি। থৌরাং অসি য়াম্নমক মরম চাবা অমসুং তঙায়ফদবনি হায়না লৌবা চুমই অমসুং চৎনহনগদবনি।

মতম অমদা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা লন্বী লমজাওদা মখোয়না তৌনিংবতা তৌরম্বা, লৈকায়গী অহল লমননা কৈদৌজরগদগে হায়বা লমকেৎ লমহাইবা ৱাখল্লোনশিং অদু হৌজিক্তি মতমগা চুশিন্নরক্ত্রে। অদুবু লৈকায় লৈকায়দা লাই হরাওবগী, চাকচা হৈজান্নবগী, হরাও কুম্মৈগী নৎত্রগা হাউসি পাঙথোকপগী হৌরা হৌরবা মাইক পান্দুনা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং হায়বা থিদবা মখৈ কোইরাং লাংবগী ফীভম অসি হৌজিকসু করিমত্তা হোংবা লৈত্রি। শেঞ্জাও পায়বা, মী উশিত্তবা ইমুংগী মীওই খরনা অহৌবা মখলগী ষ্টেরিও স্পীকরশিং শীজিন্নদুনা নিল খোংলবা ঈশৈ নোংমাই কয়ামরুম থারগা অমিয়া কাদুনা লৈ। য়ূমথংনবদা লৈবা মীওই অমদা করি ইথিল পীরমগদগে হায়বা মখোয়না খঙলবসু খঙশিন্নদে। অদুগুম্বা মীওইশিং অদুগী মায়োক্তা কনামত্তনা ৱাকৎপা ঙমদে। পুলিসসু অদু মঙাই ৱাকৎপু লাক্ত্রবদি লৈবাক অসি ঈংনা-চিক্লা পাল্লে হায়না ৱাহন্থোক পীননবা হোৎনবদা তৌফম থোকপা মথৌ অমত্তা পাঙথোক্তে। অহিং নোংয়াইগী মতম ফাওবা হাউসি লাউবা, লীলা-দ্রামা নৎত্রগা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমগী চরাংনবা, মমাঙঙৈদা চৎনরমদবা লুহোং কৈহোংবদা মখোল হৌবা বম্বুলা থারকপা, হরাও কুম্মৈ নৎত্রবসু কনাগুম্বনা অহিংগী অচিকপা থুগায়রগা বম্বুলা থাবনা ইংনা চীক্লা লৈনিংবা মীওই কয়াদা পীরিবা চৈথেং পুলিসনা খঙলবসু করিসু হায়দে। থাঙ্গৈশেংনমক্তি লাউদ স্পীকর শীজিন্নবা হায়বসি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী অয়াবা লৌগদবনি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনসু অকক্লবা মতম খরখক পীরগা তঙাইফদবা খরগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা য়াহল্লি। অদুবু লৈকায় লৈকায়দা পাঙথোক্লিবা হাউসি লাউবগী মখোলশিং লাউদ স্পীকরদা থাদোকপগী অয়াবা করন্বা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতগী লৌবা য়াওখ্রবগে। মীওইবা অমগী ইংনা চিক্লা লৈবা ফংবা হায়বসি পূন্সিরোলদা য়েংলুরবসু খ্বাইদগী ফবা মচাক অমনি। মরম অদুনা মীওইবগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা নিল খোংবা হন্থহনবা হায়বসি তঙায়মক ফদনা তৌদবা য়াদবা থৌদাং অমনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, মণিপুরদা সাইলেন্ট জোন হায়বসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মফম খরদা চৎনদুনা লাকই। গভর্নর বঙ্গলোগী অকোয়বা, চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী অকোয়বনচিংবা সাইলেন্ট জোননি হায়না গভর্নমেন্টনা ওর্দর থোক্কুনা লৈ। অদুবু মীচম মীয়ামদি লায়রদুনা ট্রাফিক পুলিস ফাওবা লাউদ স্পীকর শীজিন্নরগা ট্রাফিক কন্ট্রোল তৌননবা হোৎনৈ। লুহোংবগী বেন্দ খোঙবা, থিনবা সাইলেন্ট জোনগী মনুঙদা তৌবা য়াদে হায়বা লৈরবসু কনামত্তনা থৌওইনদে। মসিনা সাইলেন্ট জোনগী ৱাহন্থোক লৈহন্দে। সাইলেন্ট জোনদা অহৌবা মখোল থাদোক্লিবা, নিল-খোংহল্লিবশিং অসি লৈঙাক্কী করন্বা ওঠোরিটিনা য়েংশিল্লিবগে? লো চৎনহনবা ঙমদ্রগদি য়াথং পংথোক থোকপা তাগনি। মসিনা লৈঙাক্কী মিংচৎতা ময়েং তাহল্লি হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## ফৌ শাৎলমদাইদা লৌবুক অয়াম্বা লৈক্রক চৎলে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরদা** লৌমীশিংনা ফৌ লীংলমদাই মতমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন ঈশিং-ঈচাউ থোক্কুনা য়াম্না ৱানা ফৌ লীংখ্রবা মতুংদা হৌজিক অমুক ফৌ শাৎলমদাই মতম অসিদনা লৌবুক্তা ঈশিং লৈতবদগী লৌবুক অয়াম্বা লৈক্রক চৎতুনা লৈরে।

চহী অমগী য়াম্না ৱানা লৌমীশিংনা লৌহোন হুন্দুনা অমদি লৌ লীংলবা মতুংদা মপূং মরৈ ফারক্তুনা ফৌ শাৎলমদাই মতমদা লৌবুক্তা অমুক ঈশিং ফংদবগী অৱাবা লৈবনা লৌমীশিং অয়াম্বা কোক্তা খূৎ হাপ্পরে। তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মরুওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, ককচীং, জিরিবাম অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনচিংবগী মনুংদা লৈরিবা লৌবুক অয়াম্বা হৌজিক ফৌ শাৎলমদাই মতমদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। মসিদা নত্তনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং মরুওইনা চুড়াচান্দপুর, চান্দেল, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল, তমেংলোং অমদি নোনেনচিংবা মফম কয়াদা লৈবা লৌফম অয়াম্বা ঈশিং ফংদবদগী ফৌ শাৎপা ঙমদনা লৈরি। মণিপুরগী লৌমীশিংনা অসুক ৱারবা তানফম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা লৌমীশিংগী অৱাবা অসি য়েংবীদুনা তুরেল অমদি দামশিংদগী ৱাটর পম্প শীজিন্নদুনা ঈশিং চিংখৎলগা লৌবুকশিংদা ঈশিং থাজিনবা মথৌ তারি। মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনসু লৌবুকশিংদা ঈথৈ লৌখোংগী থৌরাং হান্নদি য়াম্না পায়খৎলম্মী। অদুবু লৌবুকশিংদা ঈশিং কংশিল্লক্লবা মতম অসিদদি লৌমীশিংনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা চৎতুনা ঈশিং চিংনবা হায়রুবদা অরেম্বা তাদুনা তোক্লে। লৈঙাক্লা অচৌবা দাম কয়া শাদুনা লৌমীশিংদা ঈথৈ লৌখোংশিং পীনবা হোৎনরবসু মদুগী কান্নবদি লৌমীশিংনা ফংবা ঙমদনা লৈরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অতেনবা মতমদা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং অদু মতম চানা পায়খৎপীদ্রবদি মণিপুরদা চাক তাঙবা থোরকপা য়াই।

*অদোমগী- এল বি খুমন, থোংজু*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮১

১। মণিপুরগী পুৱারীদা সেপ্টেম্বর ৩০ অসিদি সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি, মণিপুর মতম ঈশৈ নুমিৎ হায়না। মসি ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী দ্রামা অমদা ইহান হান্না মৈতৈলোনগী ঈশৈ শকখিবা নুমিৎ অদুদগী পারকপনি।
   (ক) ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।
   (খ) ইহান হান্না শান্নখিবা অদু কুমজা কয়াদনো?

২। "চৎলু অতোন : ফৌরুংবা কাদুনা কাকয়েল মীঙন্বগী মরূম লোক্লুচো, ইচীল ইনাও চাসি।" ৱাফম অসি অইবা অশাংবম মীনকেতনগী ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। ৱারেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "ৱানথখরে হৌজিক্তি পৃথিবী/চৈনাখোল খাঙবা ঙমদ্রদুনা।" পরেংশিং অসিনা 'অশিবা অহিং' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। লানলুম্বা কবি হায়নসু খঙনবা শৈরেংসিগী অইবদু কনানো?


৪। "করিগীদমক য়ূম হোংগদৌরিবনো? ... ঐহাক মীনি, নুপীনি, অদুগা মপূনি।" ৱাফম অসিনা লৈমহন কৌবী অমনা মাগী নুপাদা হায়রিবনি। 'ৱাকৎ' কৌবা ৱারীমচা অদুদা। অইবীদু কনানো?

৫। গোপীনাথ মোহন্টিগী ওরিয়া উপন্যাস, 'দাদীবুধা' হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দোকলোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মোরে মাইক

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা



**হোৎনবা** লেপকনু, শূ নোম্বা লেপকনু, লাইরেক্কনু, হোৎনবদা কল্লু নুংঙাইরক্কনি হায়বা ৱাহৈ অসি অহল-লমনশিংনা য়াম্না তোয়না তোয়না হায়। থায়নদগী হৌজিক ফাওবা হায়দুনা লাক্লি।

নোম্বদা কল্লু নুংঙাইরক্কনি হায়রিবা ৱা অসি মতম অসিগা চানরিবজাৎলা? চানরক্ত্রবজাৎলা? নোম্বা কনবা, হোৎনবা কনবা, থবক কন্না শূবা হায়রিবা অসিবু করি করি থবক ওইরবনো খঙজনীংলকই। মতম অমদা নোম্বা কনবা হায়রিবা অসি করিবু খঙনরম্বজাৎনো? মতম অমদা নুংঙাইবা হায়রিবা অসি করি করম্বা ফীভম্না নুংঙাইবা হায়বদু ওইরম্বজাৎনো? মসিগী ফোর্মুলা অসিবু মী খুদিংদা পানশিনবা য়াবজাৎলা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙনীংবা পোকই।

ঐনা খঞ্জবদা মতম অমদা শূবা-নোম্বা কনবা হায়রিবসি লৌ-উবা, শীং চনবা, ঈ ফানবা, ঙা ফাবা, ইঙ্খোল কোয়বা অসিনা মওইরক্লগনি। অদুগা মতম অদুদা নুংঙাইবা হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক চান-থক্লবা মরাং কায়না চহী অমগী পৈশিন্দুনা থল্লবা মতুংদা ফাওরকপা নুংঙাইজবা, লৈতাজবা, খূয়া তুশিৎচবা অদু ওইরম্বা য়াই। মদু নত্তনা করিসু ওইফম থোক্তে।

হৌজিক্তি নুংঙাইনবা মরমসি মহৌশা মথায় থায়না ওইরল্লিবা নুংঙাইনবগী মচাকশিং, মরমশিং, ফীভমশিং অদুনা ওইদ্রে হায়না লৌবা য়ারে। হৌজিক্তি চান-থক্লবা ৱাৎত-পাদবা মী অদু নুংঙাইবা কৌবা য়ারক্ত্রে। মদুনা নুংঙাইবা ঙম্নদ্রে অদুগা হৌজিক চান-থক্লবা মরাং কায়না থমজিনবা, পৈশিনবা মীসু লৈনদ্রে। লৈঙাক্লা চেঙ পীদ্রবদি চরা হেনবা মীফাও লৈরে। চানবা চেঙ-চাক, থুম, মোরোক, ঙারী লৈবগা লৈতবগা নুংঙাইবা, নুংঙাইতবগা মরী লৈনদবা মীসু য়াম্না লৈখ্রে। ফরে মসিসু তোক্লসি।

হৌজিক মী অমনা নুংঙাইনবা ইনাক-কৈরাক খুন্নবা তৌবা য়ারিবা থবকসি করিনো? ঐনা হৌজিক শূ নোমগদৌরিবা অসি কদাইদনো, করি থবকনো? করি পোৎথোক্লো ঐনা খূৎ অনীসিনা পুথোক্লগা মীনা মদু লৈবিরগা ঐনা শেল ফংদুনা লৌ লৈগদৌরিবা, কার লৈগদৌরিবা, চেক্কী দলান শাগদৌরিবা অসিবু?

ঐখোয়গী নহারোলশিংদি থবক শূদে, নোম্বা কনদে, তল্লি, শেল তান্নীংদে-তান্নীংদে হায়বিরিবা অসিবু করি করম হায়না হায়রিবনো হায়বদু ফজনা খন্নথোকপা, লেপ্পথোকপা য়াবা মতাং ওইরে।

মসি মতাং মতম অসিদা ৱাখৈনথোক্তুনা থবক পায়খৎহৌদ্রগদি মৈরৌ হেনজিনখিদুনা অফবা ওইরক্লোই।

নূং থুগাইজগে হায়বফাও মরী-মতা, খঙন-চান্নবা নৎত্রবদি ফংনদ্রবা মতমনি। লাংখোং তৌজগেসু মেছিন্না শিনখ্রে, লৌ য়ৈবা, খাওবা, পেংবা, লৌ খোইবা মেছিন ঙাক্তা ঙায়খ্রে। মেছিন নৎতবগীসু নক্লবা মী নত্তনা ফংদ্রে। কোক চেকখায়গে তৌই মসি খল্লুবদা।

শেল তানগে হায়রসু শেল চঙই। ইশানা ইশাবু থবক পীজবা হায়রিসিদি অরায়বা থবক নত্তে। ওইথোকপা থবকসু নত্তে। সিকি অমত্তা পায়দ্রবা ঐনা মতৌ করম্না ইশানা ইশাবু থবক পীজগনি? শেল য়াওদনা ইশানা ইশাবু থবক পীজবা অরাইবা নত্তে। ইশানা ইশাবু থবক পীজগে হায়রদি ঐগী শেল লৈজবা তাই, লৈত্রগনা ইমা-ইপা, ইচিন-ইনাওদগী লৌবা তাই নৎত্রগা বেঙ্কতগী শেল লৌবা তাই। হায়রিবা মীশক মীওই বেঙ্ক ময়াম অসিনা শেন্দোং পীবিরক্ত্রবদি মমৈদা ঐ অমুক কৈদৌনি? কনাদা পাকথরুগনি? করি অমত্তা কান্নরোই বেঙ্কতগী শেল লৌগে হায়বদা সিকি থোক্তবা ঐগী কনানা গেরেন্টর ওইবিয়ু য়াগদৌরিবা? পোৎসি শ্বাইদা সুম লোইরবনি।

ঐখোয় লৈকায়দা বোয়াই হায়বা রিক্সো থৌবা অমা লৈ। মচা অহুমনি। মানা রিক্সো থৌরকপা চহী ৩০ হেল্লে, নোং হেক ঙানবদগী নুমিৎ তাবফাওবদা মানা লেপ্তুনা রিক্সো থৌরি। মামুক শূবা কনবা, নোম্বা কনবা নুপা ঐখোয় অদুৱাইদা লৈত্রে। অফবা স্কুলদা মচাবু লাইরিক তমহনবা ঙমদে। লৌ লৈবা ঙমদে, ইঙ্খোল লৈবা ঙমদে, য়ূম শাবা ঙমদে। মপাঙ্গল থোক্লা মাদৌনা থবক শূবা নত্তবা ফম্মগা লৈবা ময়াম অমা লৌ লৈনখ্রে, ফজবা য়ূম শানখ্রে। মী অমা ওইনা চাউরাক্লা হিংগে হায়রগদি নোংমগী য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং মঙাদগী তাদনা তানবা ঙমদ্রগদি হিংবা য়াদৌ মান্দ্রে। হায়জরিবসি য়ামদ্রিবনি। অদুনা নুংঙাইবা হায়বসি শেল থোক্তনা নুংঙাইগে হায়রবদি মোরে মাইক্তা কেরিওকে শকপা নত্তনা গতি লৈতে।

# থাজগন্দবা মীবু থাজবা লৈতে

### নবকুমার ওইনা

**লাইগী** মিং শোল্লগা হায়জরিবনি, থাজবা কনাসু লৈতে। হান্নদি খরা খরা থাজরম্বদগী শেল য়াম্না মাঙখ্রে। শেল পুখ্রগা শিংলক্কনি খঙদবা মীসু য়াম্না লৈ। থবক্কী ওইনা লৌখ্রগা থবক তৌরক্তবা মীসু ময়াম লৈ। মীদি লায়বু লায়রি, মীনা লাৎলিবা লাইসিনা হেন্না থাজখিদ্রে। অসিগুম্বা মীশিংসিনা লাৎলিবা লাইশিংসিনা মীশিংদু মাল্লকপা মশানা তারকপনি। লাইগী মরক্তসু লাইরেন্বীনা হেন্না থাজখিদ্রে। শিংজু খরা পীজরগা থেন্বা য়ারিবশিংদুনা করি তৌরক্কনি, মীনা থেন্নগা থমখিবা ঙাক্তনি।

ৱাদি কারল মানবা, খন্নবা য়াবা ৱাপু অমা ওইদা ওইবা য়াগনি খনবগী হৌদোকচবনি। লমদম অসিদবু কনাগী লাই ফাওবা লৈবা ঙন্বা হৌনদে। লাই অমত্তা থোক্লকপা ঙন্বা হৌনদে। লাই ফাওবা কিদুনা চেনখ্রবদা মীরোল চুম্বা মী লৈররোই, লুচিংবীনবসু লৈররোই খল্লি। লাইগী ৱারীশিং পারু-খঙলুরগা লাই হায়বসি খঙবা ঙমশিল্লক্তবনি, তশেংনা লৈফম থোক্তবনি। লৈরগনা মমিংসি লাল্লিবনি। অদুম ইখঙ খঙনবা ৱা ঙাক্তনি। 'লাই ওইখ্রে' হায়বসিনা তাক্লিবসি লৈখিদ্রে হায়বনি। লাই ওইখ্রে হায়রিবা থৱায় অদুনা মালেমসি শেল্লম্বা নত্তে হায়বসু অদুম খঙনবা ৱানি। তাইবঙ শেন্বা লাইদুগা লাই হরাউবদা য়াওরিবা লৌ উবা, ফি শাবা, জগোয় শারিবা লাইদুগা মান্নবা হৌনদে। উনা-উনা লাইশিংসি অমত্তা ওইনা হেক্তা লৌশিল্লিবা মাল্লি। মীদগী ওইখিবা লাইশিং ওইরবসু অরাপ-অরাপ্পা মফমদগীসু লাইনি হায়না হেক্তা লৌশিনবা ঙল্লিবসি থাজবা য়াবা ৱারা? লাইদুসু থাজরক্তে, মীশিং অদুসু থাজরক্তে। মীওই খরনা মখোয়গী অপাম্বদু ফগদ্রা খন্দুনা পংতৌ তৌশিল্লম্বা মাল্লকই। লাই হায়বসি লৈবা নত্তে, মীনা লাই ওনবা হৌনদে, লাই হায়বসি মিংগী ৱানি, লৈখিদ্রবা শিখ্রবা মী খরগী মমিংনি হায়বসি লানবা নত্তে। মরমশিং অসিদগী য়ুরোপ্তা চহী লিশীং অমগী মমাঙদগী লৈতে হায়দুনা লাকখ্রবা ৱাফমনি। লমদম অসিদনা লাই থাজহনবা মীনা হেন্না লাকখিবদগী ঙসি ফাওবা চমম্নদুনা লৈরকপনি। ৱাখল লৌশিংদা চমম্নবা লৈবদগী লাইগী ৱাসু চমম্নবা লৈবনি। পঙবা-শিংবগী মখা পোল্লক্লিবনি। লাই শেমগৎপা পাম্বা, লাই শাবা পাম্বা মীওই য়াওদবা নত্তে, মখোয়গী কান্নবা খরদগী লাই লৈবা মাল্লকপগী ৱাতনি। মী লৈত্রিঙৈ চহী মিলিয়ন কয়াগী মমাঙদগী মালেম শেমখ্রবনিসু হায়গনি। মতোমতনা খঙবদৌনা ঙাঙলগা লাইগা হেক্তা শমজিন্নখিবগুম তৌগনি। ফিজিক্স, কেমিষ্ট্রি, বাইওলোজি তম্বা মীশিংনা করি খল্লি হায়বদি খন্থরোই। লাইরিক তল্লিবা মরক্তসু লাই পঙখুদা খুরুমগনি। তশেংনা লাই খঙবা ঙমদবা ময়াম য়াওগনি (লাইরিক্তু তম্লক্তবগুম্বনি, খঙদবা) খল্লি। থাজগনবা ওইগনি।

মসি হায় হায়দুনসু মালেমসি শেমগৎলকপা অমা লৈতে হায়বা নত্তে। টি ভিদা ঙাইহাক লৈতনা শন্দোক্লুনা লৈরবা ৱানি। মীয়াম্না থাজনদবা অদুতগী ৱানি, ঐ অমনা হায়রিবসি থাজনদৌবা মান্দে। থাজদবশিংবুসু অমনা অমুক থাজগদৌবা লৈতে। মদুদগী থাজনদবসি হৌরকখিবনি। পঙবগীনি। পঙবগী হীদাক লৈতে। য়াম্না খঙবা শারিবা ঐসু পঙবগীনি। থাজবিনবা মী লৈরবদি অশিংবা শাবা লায়গদৌবা মাল্লকই। ফিল্ম অমগী ৱারীদি য়েংবা লোয়বগা পৈবরা-য়ুংবরা হেক্তা লিবা ঙল্লিবশিংগী মচা মশু ওইরিবশিংনা য়ুনিভর্স অসি শেল্লকখিবগী ফিল্ম য়েংলবসু থাজদবগীরা, খঙবা ঙম্নদ্রি, ৱা ওইনা ঙাঙনবা ঙমদরি। অদুগা উহৌবসু নত্তবা লাইগী ৱারীদদি য়াওদা য়াওরুবা শারগা ৱারী লীবা ঙম্নরি। লাইরিক তম্বগী মওং শোয়বগীরা, থাজবদা হেঞ্জিন্না থাজবরা অমদি তৌরে। মসি লায়না অমা ওইবসু য়ারিবনি। মী অমখক্তা নত্তনা ময়াম অমা তুং পঙইন ইন্নবগুম তৌনরক্লি। লৈরম্বসু নত্তবা লাইশঙ অমদসু মীশিংসি পঙখুদা খুরুম্নবগী থাজবী অমা লৈবগুম উরি। মীদি থাজনদে থাজনফম খঙদে, লাইনি হায়রবদি পঙথা থাজবগী হৈনবী লৈবগুম তৌই। মদুসু থাজদে, মশাগী ইমুংদা লৈবা লাইদি থাজদবগুম ঙাঙনরিবা য়াওনরি। য়ূমগী লাইদু থাজদবদগী য়ূমগী অহল-লমনশিংদা মীনম্বা ঙম্নরক্লিবনি। মপানগী লাই থাজবা হৈরকপদগী মপানগী মী থাজরকপনি। মদুগী মহয় ওইনা লমশি শিবা মশীং হেনগৎলকপনি, কোক্তা লৈখায় তানদবদগী নোংমা নোংমগী ৱাথোক থোকপা অসুম হেনগৎলকপনি হায়গনি। পর্সনেল লেভেলদা মী অমমমগী কন্সিয়স ওইবগী থাক নেম্নরকপদগী কনফ্লিক লৈনা ৱাখল খন্নরকপা হেনগৎনরকপা ওইগনি। থাজনদবগী থাক ৱাংখৎলকপনি। তশেংবদি লাই হায়বদু লৈবসু নত্তে, থাজনবসু নত্তে, মাগী-মাগী ৱাখলগী থাজনবী অদুখক্তনি লৈরিবা। মদুগী মতুং ইন্না মানা-মানা পাম্বদু তৌনরকপগী, মান্ন-মান্নবশিং পূনশিন্নরকপনি। অশিংবশিংদি শিংবা মান্নদ্রবদি পুন্দবসু য়াই, পঙবা মান্নদবশিংদি পূনবা য়াই। য়েৎনবদি অদুম থোক্কনি, মী অমনা তৌরিবদু য়ানীংদ্রবসু তুং পঙইন ইন্নবসু য়াই।

উমং লাইদি ঐখোয়গী ইপা-ইপূ অরিবদুনি। অরাপ্পগী লাইশিংদা ঐখোয়গী ইপা-ইপূ নত্তবা ময়াম য়াওশিল্লক্লি। মীওইবা খুন্নাইগী পূন্না খল্লবদি লৈখিদ্রবা মী খুদিংমক ঐখোয়গী ইপা-ইপূনি হায়গনি। মরৌশিং ৱাৎহৌরবশিংনা হায়রিবমখৈ পঙথাদা থাজগনি, ঙসিসু লাই অনৌবা অমা পুশিল্লক্লবদি থাজবা মী খরা থোক্লক্কনি খল্লি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি পন্দিৎ লোইশঙনসু লাই হরাউই হায়বসি লাইসি লাইনীংগী ৱা মাল্লক্তে। লাইশঙসি শেন্দান লন্বী ওইগদৌরিব্রা? লাই হায়বসি মী নত্তে, মীনা লাই ওইবা য়াবা নত্তে, লাই হায়বসি লৈবা নত্তে হায়রিবসিগা লাইদা থাজরিবশিংগা খেন্নরকইবসি করিদা ওইগদৌরি। লাই হায়বসি লৈতবা ওইরবদি ঙসি ফাওবদা লাই থাজবা মীয়াম অমনা ফুদিত্তা মাঙজোং চোঙলকইবসি করিগী ওইগদৌরি। অদুনবু কার শাবা হৌনদে, ফোন শাবা হৌনদে, এরোপ্লেন শাবা হৌনদে। পূম্নমক্তু লায়বু লায়রি। লাইদা কৎলিবা মিংশেল মচেৎ অমফাওবা শাবা হৈত্রিবনি। মদোমদা হায়রবদি মালেমসিদা লাই নিংখিদৌবা মী য়াম্না লৈরি হায়বা অদুম খঙগনি। লাই পঙলৌদা লৌশিনবা কাঙবু অমসু লৈরিবনি। লাইনিংশিংদুনা চাইখায়রগা চৎখ্রগনা ফুরুপ্তু মাঙবা, লাই ময়াম খোমজিল্লগা লাইনীং অচৌবা অমা শেমগৎপা য়াই। হিন্দু লাইনীংমক লাই ময়াম খোমজিনবনি হায়রিবনি। উমং লাইসু হিন্দুগী লাই ওইরকপা য়ারি। পন্দিট লোইশঙনা লৌশিনবা হৌরক্লি। অমনা অমদা শাওবা, ৱারৌবগী ৱাফম নত্তনা মীওইবনা তৌবা লাইগী থবকশিংদু লমদম অসিদদি লৈখায় তাদনা চরাংনবা থাক অমদা লৈহৌরি হায়বদু ময়েক শেংনা উরি হায়বা তারি। লাই খঙবগী মান্দে।

লমদম অসিগী মীওইবগী ৱাখলগী থাক অসিনা (লাইগীদগী খঙবা) লমদম অসিগী মীওইবা থাজনবীগী থাক অদু খঙবা য়াগনি হায়দুনি। উমং লাইসি লাইনিংথৌ লাইরেন্বী হায়গনি। থাংজিং, মার্জিং, খামলাংবা, পাখঙবা, ইরৈমা, নিংথৌ, লাকপা, ৱাংপুরেল হায়রগা লাৎকনি। নোংশাবা হায়বসি নূং শাগৎপা, নূং কন্নবা লাই নীংবগীরা, নোংদম্বদু অফবা তম্লক্লবা লাৎলিব্রা খঙদে। খুরুম্লগা হেক্তা পীরক্কদৌবগুম পঙখুদা খুরুম্বনদি কান্নগদৌবা মাল্লক্তে, থাজদে। লাইদু থাজদবদি লায়রি, পীরক্কদৌবা মাল্লক্তে। প্রেক্টিস তৌবগী ট্রেনিং য়াওদনা নিরগা লীদর ওইবা য়াবা নত্তে। হৌজিক্তি পৈশা য়েল্লগা য়াবসু লৈরে। লাইগী ৱা লৈত্রে, লাই থাজনদ্রে, পৈশাদা লৈরে।

পৈশা পুথোকপা ঙম্বা মীগীনা থাজবদু থবক ওইহনবা ঙল্লে। পৈশা পুথোকপা ঙমদবা মীগী মংলান্দু মোন্দ্রং ওইহৌরে। ভোট তৌরিবসি পূম্নমক পৈশা য়েন্নরিবনি, পৈশা হেন্না য়েনবনা কাখিবনি খন্নে। মদু থাজদবসু য়াই, পৈশা পীনরিবশিংগী মরক্তা থাজনবী অমা মপূং ফানা শাগৎপা ঙমখিবগী ওইবসু য়াই। অমনদি পৈশাননি হায়, অমনা পৈশা ঙাক্তনা নত্তে হায়গনি। অনীমক চুম্বা মাল্লক্কনি। পৈশা য়েন্নদ্রবা মতমদদি অনীমক লাল্লক্কনি। অমখক্তদা থাজবা থম্বা য়ারক্তে। পৈশা পীজরগা ওফিসর ওইরিবশিংসি পৈশা পীজরগা লাই ওইবা য়াবগুম্বনি। চহী মঙাগীনা লুপা লিশীং-লিশীং য়েনবা, চহী ৩৫গীনা লাক্ষ ২০/৩০ পীরগা ওইখিবনি হায়রি। মখোয়দি লাই ওইনা লাইশঙদা লৈয়ু য়ারক্লরোই। ওফিসতা লৈবনা পৈশা ফংবা হেল্লনি। থায়নদগী লাই ওইবা পাম্নরক্লিবসি শেল তানবগী মওং অমদা মীয়ামদগী পৈশা খোমগৎনবা লন্বী অমা ওইরিবনি। অহানবদা খরা পীগনি অদুগা লাইনীং তন্বীগনি, য়াখ্রবা মতুংদগী থবক শূহনগনি, পৈশা য়াম্না পীরোই। পৈশা য়াম্না পীদবা হায়বসি পৈশা খোমগৎপা হায়বনি, মানা খোমগৎপনা হেন্না য়াম্না ফংলকপদুনি। লাইশঙ হায়বসি পৈশা খোমগৎফম অমনি। মসিদা থাজদবশিং মীনা থাজনদে, লাইশঙদা থাজবশিং মীনা থাজনৈ। লাইনা মীগী তৌরকপা করিসু লৈতে, পৈশানা তৌরকপনি।

পৈশা খায়জিনবা হৈতবশিংগী লাই শিথরুরে। পৈশা খায়জিনবা হৈরকপদগী হিংগৎলকপসু য়াওরে। পৈশা খোমগৎপা লাইশঙশিং লৈঙাক্লা লৌগদৌবনি হায়বদি লৈতে। লৈঙাকসু লাইদা পৈশা খোমগৎহনবা হৈবসু লৈরে, লাইসি লাইনীং শন্দোকপগী নৎত্রে, হৌজিক্তি পৈশা খোমগৎপগী ওইখ্রে। অদুননি লাইশঙ ফজ-ফজবা ময়াম শাগৎনরক্লিবসি। লাইগী লমচত্তু মীনা তম্নদ্রে, মীগী মতৌদু লাইনা তম্লক্লে, পৈশা খোমগৎপদা য়াওখ্রে। লাই হায়বসি মীওইবগী মখাদা লৈখ্রে, লাইশঙ হায়বসিনা পৈশা খোমগৎপগী খূৎলায় ওইখ্রে। মসিদা থাজদবশিং মীনসু থাজবিররোই। পৈশা পায়বসু ঙল্লরোই। ওর্গেনাইজ তৌরিঙৈ লাইগী মরমচৎ নৈনবদি তৌদ্রে, পঙখুদা খুরুম্নবতা মঙায়রে। লাইনীং হায়বসি অচুম্বা চৎপগী পাড়া ওইদ্রে, অঙন্বা শকপগী লৌশিং ওইখ্রে, হায়বদি লাই অমা নীংলবদি অচুম্বা চৎপা তোকখ্রে হায়বগুম্বনি। পৈশা য়াম্না কৎপশিংগী লাই ওইখ্রে।

লাইনীং অমগী মখাদা মীশিংসি লাই ওইনবা শেন্বা ময়াম লৈরে। পন্দিৎ ওইরম্বদগী প্রভু, প্রভুদগী ভক্ত, ভক্তদগী তাইবঙ মপূ য়ৌরকপা য়াওনরে। লাইনীং ময়াম খোমজিনবদগী লাই ময়াম থোক্লকপগুম তৌরি। মসিমক্তি লাইগী ৱা মাল্লক্তে, লাই শেমগৎপগী থৌওংদু খঙনরকপনি। লাই ওইনবা, পৈশা তানবা য়ানবা, শূদনা চাবা য়ানবা ফোর্মুলাশিংদু মথি ফোংলকপনি হায়গনি। খঙদবা মী য়াল্লিবমখৈ লাই লৈবা মানখিগনি। লাই শাবা মী য়ামখৎলক্লবদি লাইগী ৱাসি তোক্লখ্রগনি। লাই খঙবা ৱাৎলিবমখৈ লাই লৈখিগনি।

য়ুনিভর্সিটি হায়রিবসি লৈখায় তানফমনি। লমদম অসিগীদি য়েৎনফম ওইদুনা লৈরিবসিনি। মসিমক লাইদু লৈতবগী খুদমনি, লাইনকাক চঙলুবা য়াবা নত্তে। সিফাই ওইনা লৈশিল্লি হায়রিবসিনি। ৱা থোক্লিবসি লাই নীংবা শোয়বদগীনি, লাই লৈতবগীনি, থাজনদবগীনি, লাই শাবগীনি। পৈশা মুন্নবগীনিসু হায়বগুম তৌরি, মীচং চঙনরগা পৈশাদু হাৎনখ্রবরা? মদু ওইরগনা হুরানবা ফানগদৌগী তৌবা ওইগদৌরিব্রা? ওইনীংবদু ওইসনু, লাই লাক্লবসু থাজদে, থাজনদবা মখোয় ময়ামসু থাজদে। লাইসু থাজদে, মীসু থাজদে। হুরানবসু থাজদে।